# বাংলাদেশনা হায়জরকপদগী বোর্দর পিল্লর লৌথোক্লগনি

ন্যু দিল্লি, ওক্টোবর ১০ (এজেন্সী):

ইন্দিয়া অমদি বাংলাদেশকী লোন্নবা ঙমখৈদা য়ুংলিবা 'ইষ্ট পাকিস্তান' থাবা বোর্দর পিল্লর পুম্নমক লৌথোক্লগনি হায়না রিপোর্ট অমনা ফোঙদোকখ্রে।

বাংলাদেশনা হায়রিবা পিল্লরশিং অদু লৌথোক্লগা অনৌবা বোর্দর পিল্লর য়ুংনবা ৱাফম ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টতা হায়জরকখি। হিরম অসিগী মতাংদা সেন্টরনা অয়াবা পীখিবগা লোয়ননা ঙমখৈ ঙাকপগী থৌদাং লৌরিবা বোর্দর সিক্যুরিটি ফোর্স (বি এস এফ) তা হায়রিবা বোর্দর পিল্লরশিং অদু লৌথোকখিনবা য়াথং পীখি।

বি এস এফকী মকোক থোংবা ওফিসল অমনা এজেন্সীদা হায়খি, সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্টনা অয়াবা পীরক্লবনিনা অহানবা তাঙ্কক্তা বোর্দর পিল্লর ৩১ লৌথোক্লবা পান্দম থল্লি। অসামদা বাংলাদেশকা থংননা য়ুংলিবা পিল্লর ১৩ লৌথোক্লগনি। বোর্দর গার্দস বাংলাদেশ (বি জি বি) নসু অতোপ্পা পিল্লর ১৮ লৌথোক্লগনি।

বি এস এফনা ইন্দো বাংলাদেশ বোর্দর ঙাক শেনবগী থৌদাং লৌবগা লোয়ননা ঙমখৈ শেমগৎ-শাগৎপগী থৌদাংসু লৌদুনা লাকখিবনি। হৌজিক লৌথোক্কদৌরিবা বোর্দর পিল্লরশিং অসি মতম অমদা বাংলাদেশনা পাকিস্তানগী শরুক অমা



ওইরিঙৈদা য়ুংখিবনি। কুমজা ১৯৭১ দা লৈবাক অসিনা পাকিস্তানগা অকনবা লান শোক্লরবা মতুংদা নীংতম্বা ফংখি।

পনবা য়াবদি, বি এস এফনা বাংলাদেশকা লোন্নবা ঙমখৈদা স্মার্ট ফেন্স মথৌ তৌহনবা হৌখ্রবনি। অনৌবা টেক্নোলোজি শীজিন্নরগা শেমগৎপা স্মার্ট ফেন্সতা সর্ভিলেন্স টেক্নোলোজি অমসুং এলার্ম দিটেক্সন সিষ্টেম য়াওই হায়রি। বি এস এফনা ঙমখৈ ঙাকপগী থৌরাং লৌখৎপদা অনৌবা স্মার্ট ফেন্স অসিনা চাউনা মতেং ওইনরগনি। অদুম ওইনমক নৌনা শেমখিবা স্মার্ট ফেন্সতা করি করম্বা ফিচর য়াওবগে হায়বা বি এস এফনা হৌজিক ফাওবগী ওইনা ময়েক শেংনা ফোঙদোরকপা লৈত্রি।

চাংয়েং ওইনা অহানবদা বি এস এফনা বাংলাদেশকা লোন্নবা ঈশিংগী শরুক্তা স্মার্ট ফেন্স শেমগৎখি। হায়রিবা মফম অদু হান্নদি বি এস এফনা স্পিদ বোট শীজিন্নরগা পেট্রোলিং চৎলম্বনি। মফম চাদবা মরম্না ঙমখৈগী শরুক অদুদা বোর্দর আউটপোষ্ট শেমগৎপা ঙমদনা লাকখি। মদুনা মরম ওইরগা হায়রিবা ঙমখৈগী শরুক অদুদা অয়াবা য়াওদনা বাংলাদেশি মীতোপ কয়া ইকোম কোম্না চঙথোক চঙশিন তৌবা ঙম্লি। হৌজিক্তি অনৌবা টেক্নোলোজি য়াওবা স্মার্ট ফেন্স শেল্লবনিনা মীতোপ চঙলকপা মপুং ফানা থিংবা ঙম্লগনি হায়না বি এস এফনা ফোঙদোকখি।

# রাই বরেলি মনাক্তা ন্যু ফরাক্কা এক্সপ্রেস গুরুং চৎপদা মীওই তরেৎ শিরে, ২১ অশোক-অপন নংলে

লক্ষনৌ, ওক্টোবর ১০ (এজেন্সী):

লাইবক থীবা থৌদোক অমদা ঙসি অয়ুক উত্তর প্রদেশকী রাই বরেলি মনাক্তা ন্যু দিল্লিদগী মালদা তম্না চেনবা ন্যু ফরাক্কা এক্সপ্রেস ট্রেন গুরুং চৎপদা মীওই তরেৎ শিরে অমসুং অতোপ্পা ৬০ রোম অশোক-অপন নংলে হায়না নোর্দন রেলৱেগী দিভিজনল রেলৱে মেনেজরনা ফোঙদোকখ্রে।

মহাক্না হায়খি, ন্যু ফরাক্কা এক্সপ্রেসকী এঞ্জিন অমসুং কোচ ৯ টালিদগী নান্থবদা শোক্লবা মীওইশিং অদু রাই বরেলিগী দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটালদা পুখৎতুনা লায়কন্নরি। থৌদোক থোকফমদা অতেক অকায়শিং শেংদোকপা হোৎনবদা পুং ২৪ দগীনা ৩৬ ফাওবা চঙলবা য়াই।

ঙসি অয়ুক পুং ৬.০৫ তাবদা হর্চান্দপুর মনাক্তা লাইবক থীবা থৌদোক অদু থোকখিবনি হায়না এজেন্সীনা পাউনা ফোঙদোকখি।

থৌদোক অদু থোকখ্রবা মতুংদা য়ুনিয়ন রেলৱে মিনিষ্টর পিয়ুস গোয়েলনা লৈখিদ্রবা মীওই খুদিংমক্কী ইমুং-মনুংদা লুপা লাখ ৫ কম্পেন্সেসন ওইনা পীরগনি হায়না লাউথোকখি। ফীভম থিনা শোক্লবা মীওইশিংদা লুপা লাখ ১ অমসুং কা হেন্না শোক্তবা মীওইশিংদনা লুপা লিশিং ৫০ পীরগনি।

এ এন আইগী রিপোর্টনা হায়,



হর্চান্দপুর রেলৱে ষ্টেসন মনাক্তা ঙসি অয়ুক ন্যু ফরাক্কা এক্সপ্রেস ট্রেনগী কোচ কয়ামরুম টালিদগী নান্থরকখি। থৌদোক অদুদা লৈখিদ্রবশিংগী মনুংদা নুপী অমগা পীক্লিবা অঙাং অমগা য়াওরি। ন্যু দিল্লিদগী মালদা তম্না চেনবা ট্রেন অদুগী এঞ্জিন য়াওনা কোচ ৯ টালিদগী নান্থরকখিবনি।

থৌদোক থোকফমদা লোকেল এদমিনিষ্ট্রেসন্না মী কনবা অমদি মতেং পাংবগী থবক পায়খৎখিবগা লোয়ননা রেলৱেগী ওফিসলশিংসু থৌদোক থোকফমদা থুংলখ্রে। লক্ষনৌ অমসুং বরানাসিদগী নেসনল দিজাষ্টর রেস্পোন্স ফোর্স (এন দি আর এফ) কী টিম কয়ামরুম থৌদোক থোকফম তম্না চঙশিল্লকখি। ট্রেনগী অতেক-অকায় মরক্তা ননশিন্দুনা লৈখ্রবা মীওইশিংবু গ্যাস কট্টরগী মতেংনা লৌথোক্লবা হোৎনরি।

লাইবক থীবা থৌদোক অদু থোকখ্রবা মতুংদা উত্তর প্রদেশকী চীফ মিনিষ্টর জোগি অদিত্যনাথনা দিষ্ট্রিক্ট মজিষ্ট্রেট, সুপরিন্টেন্দেন্ট ওফ পুলিস, হেল্ঠ ওথোরিটি অমদি নেসনল দিজাষ্টর রেস্পোন্স ফোর্সতা পাংবা য়াবা মতেং পাংনবা খঙহনখি।

চীফ মিনিষ্টর জোগি অদিত্যনাথনসু লৈখিদ্রবা মীওইশিংগী ইমুং-মনুংদা লুপা লাখ ২ কম্পেন্সেসন পীরগনি হায়না লাউথোকখি। ফীভম থিনা শোক্লবা মীওইশিংদনা লুপা লিশিং ৫০ পীরগনি হায়রি। থৌদোক থোকফমদা ডোক্তরশিং য়াওবা টিম অমা থুংলখ্রে।

ফরাকা এক্সপ্রেস এক্সিদেন্ট থোকখিবা লম্বী অদু থিংজিনখিবগা লোয়ননা রেলৱে বোর্দকী চ্যেরমেন অস্বানি লোহানিনা ফীভম য়েংশিনবা হোৎনরি। ইন্দিয়ন রেলৱেগী ওইনসু ইনক্কারি কম্মিসন অমা শেল্লগা থৌদোক অসিগী মতাংদা মপুং ফানা থিগৎনবা থৌরাং লৌখৎপা হৌরে।

অমরোমদা, উত্তর প্রদেশকী এন্টি টেররিজম স্কৱাদনা ট্রেন এক্সিদেন্ট থোকখিবগী মতাংদা মপুং ফাবা ইনভেষ্টিগেসন চত্থগদৌরি। ন্যু দিল্লিদগী মালদা তম্না চেনখিবা ট্রেন অদু মতৌ করম্না এক্সিদেন্ট থোকখিবগে হায়বা চপ চাবা খঙদোক্লবা হোৎনরি হায়না য়ু পিগী এদিসনল দিরেক্টর জেনরেল ওফ পুলিস (লো এন্দ ওর্দর) অনন্দ কুমারনা ফোঙদোকখি।

থৌদোক থোকফমদা লক্ষনৌ দিষ্ট্রিক্টকী দেপ্যুটি কম্মিস্নার, সুপরিন্টেন্দেন্ট ওফ পুলিস, সব দিভিজনল মজিষ্ট্রেট অমদি অতৈ মকোক থোংবা ওফিসলশিং থুংলখ্রে। মী কনবা অমসুং মতেং পাংবগী থবক পায়খৎপদা খুদোংচানবগীদমক মুঘল সরাইগী পন্দিত দিন দয়াল উপধ্যায় জঙ্কসন্দা ইমার্জেন্সি হেল্প লাইন নম্বর হাংদোকখ্রে। লাইবক থীবা থৌদোক অদুগী মতাংদা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনসু অৱাবা ফোঙদোকখি। রেলৱেগী মকোক থোংবা ওফিসল অমনা হায়খি, ঙসি অয়ুক অঙনবদা ন্যু ফরাক্কা এক্সপ্রেস এক্সিদেন্ট থোকখিবগী মতাংদা চপ চাবা মরম খঙবা ঙম্লগনি।

# 'সেক্সুএল হেরাসমেন্ট কেসকী মতাংদা এম জে অকবরনা মতিক চাবা পাউখুম পীবা ঙমদ্রবদি ফম থাদোক্কদবনি'

ন্যু দিল্লি, ওক্টোবর ১০ (এজেন্সী):

এক্সটর্নেল এফ্যেরসকী ষ্টেট মিনিষ্টর এম জে অকবরনা সেক্সুএল হেরাসমেন্টকী মতাংদা মতিক চাবা পাউখুম পীবা ঙমদ্রবদি খুদক্তা ফম থাদোক্কদবনি হায়না কোংগ্রেসনা ফোঙদোকখ্রে।

কোংগ্রেস স্পোক্সপার্সন এস জয়পাল রেদ্দিনা পাউগী মীফম অমদা হায়খি, এম জে অকবরগী মথক্তা শিরল্লিবা মরাল অসিগী মতাংদা মপুং ফাবা ইনক্কারি চত্থদুনা অচুম-অরান থিগৎকদবনি। ইন্দিয়াদা *মী টু কেম্প্যেন* চত্থরকপগা লোয়ননা নুপী পাউমী খরনা এম জে অকবরগী মথক্তা সেক্সুএল হেরাসমেন্টকা মরী লৈনবা মরাল কয়া শিরকখি। হান্না এদিটর ওইরম্বদগী হৌজিক্না মিনিষ্টর ওফ ষ্টেট ফোর এক্সটর্নেল এফ্যেরসকী থৌ পুরিবা এম জে অকবরনা পাউমীগী শিনফমদা লৈরিঙৈদা সেক্সুএল হেরাসমেন্ট চত্থখি হায়না নুপী পাউমী খরনা মরাল শিরকখি।

হিরম অসিগী মতাংদা কোংগ্রেসকী স্পোক্সপার্সন এস জয়পাল রেদ্দিনা হায়খি, নুপীদা অহেনবা মতিক ময়াই পীগনি হায়না লাউথোকখ্রবা বি জে পিনা লুচিংবা এন দি এ লৈঙাক্না ৱাফম



অসিগী মতাংদা তুমীন্না লৈশিনবা চুমদে। এম জে অকবর মশামক্লসু ৱাথোক অসিগী মতাংদা মতিক চাবা পাউখুম পীগদবনি। করিগুম্বা পাউখুম পীবা ঙমদ্রগনা মিনিষ্টরগী ফম থাদোক্কদবনি।

এক্সটর্নেল এফ্যেরস মিনিষ্টর সুস্মা স্বরাজনা ৱাফম অসিগা মরী লৈননা তুমীন লৈশিনখিবগী থৌওংবু রেদ্দিনা অকনবা মওংদা য়ানিংদবা ফোঙদোকখি। অমরোমদা, এ আই এম আই এমগী লুচিংবা অশাদউদ্দিন ওৱাইসীনা হায়খ্রে মদুদি, প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা এম জে অকবরবু খুদক্তা মিনিষ্টরগী ফমদগী লৌথোক্কদবনি। এম জে অকবরগী মথক্তা সেক্সুএল হেরাসমেন্টকা মরী লৈননা তোঙান তোঙানবা নুপী পাউমী তরুক্না ৱাকৎলকপা লৈখ্রে। খ্বাইদগী অহানবা ওইনা মমাঙ চহীদা প্রিয়া রমনি কৌবী নুপী পাউমী অমনা য়ুনিয়ন মিনিষ্টর অমগী মথক্তা সেক্সুএল হেরাসমেন্টকা মরী লৈনবা মরাল শিখি। মতমদুদা মহাক্না এম জে অকবরগী মমিং পনখিদে। মতুং তারকপদা অতৈ অতোপ্পা নুপী পাউমী কয়ানসু এম জে অকবরনা কা হেনবা থৌওং চত্থখি হায়না মরাল শিরকখি।

হিরম অসিগী মতাংদা মিনিষ্ট্রি ওফ এক্সটর্নেল এফ্যেরসনা করিগুম্বা মখলগী ৱাফম অমত্তা ফোঙদোরকপা লৈত্রি। মিনিষ্ট্রিগী সিনিয়র ওফিসল অনীদা এম জে অকবরগা মরী লৈনবা ৱাহং হংখিবদা পাউখুম অমত্তা পীরকখিদে। এম জে অকবরনা মরুওইবা পাউচে কয়াগী এদিটর ওইরিঙৈদা কা হেনবা থৌওং চত্থখিবনি হায়রি।

# সোলিসিটর জেনরেল খনখ্রে

ন্যু দিল্লি, ওক্টোবর ১০ (এজেন্সী):

এদিসনল সোলিসিটর জেনরেল টুসার মেহটাবু ইন্দিয়াগী অনৌবা সোলিসিটর জেনরেল ওইনা খনখ্রে।

মহাক্না কুমজা ২০২০ গী জুন ৩০ ফাওবা ফম অসি পায়রগনি। মমাঙ চহীগী ওক্টোবর থাদা মতমদুগী সোলিসিটর জেনরেল রঞ্জিৎ কুমারনা ফম থাদোকখ্রবা মতুংদা ফম অসি হাংদুনা লৈরকখিবনি। ইন্দিয়াগী ওইনা এটোর্নি জেনরেলগী হেক মথংদা সোলিসিটর জেনরেলনা অনীশুবা খ্বাইদগী থাক ৱাংবা লো ওফিসরনি।

কুমজা ২০১৪ দা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা লুচিংবা লৈঙাক লাকখিবা মতমদা মেহটানা ইন্দিয়াগী এদিসনল সোলিসিটর জেনরেলগী থৌ পুখি। ইনফোর্মেসন টেক্নোলোজি এক্টকী সেক্সন ৬৬ এ শিংনরকখিবগী কেস য়াওনা মরুওইবা কেস কয়াদা মহাক্না সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্টকী মায়কৈদা লেপখি। পনবা য়াবদি, মমাঙ চহীগী ওক্টোবর ২০ দা ইন্দিয়াগী অনীশুবা খ্বাইদগী থাক ৱাংবা লিগেল ওফিসর ওইরিবা সোলিসিটর জেনরেল রঞ্জিৎ কুমারনা লন্নাইগী ওইবা ৱাফম খরদা য়ুম্ফম ওইরগা ফম থাদোকখিবনি। মহাক্কী মমাঙদা মুকুল রোহাটগিনা ফম অসি পায়রম্মী।

# দিমোনেটাইজেসন, জি এস টিগী মতাংদা সী এ জিনা থিগৎকদবনি : মালিকঅর্জুন খার্গে

ন্যু দিল্লি, ওক্টোবর ১০ (এজেন্সী):

দিমোনেটাইজেসন অমসুং গুদস এন্দ সার্ভিসেস টেক্স (জি এস টি) না মীচম মীয়ামদা খুদোংচাদবা মায়োক্ন হনখিবগা লোয়ননা শেন্মীৎলোন্দা অকায়বা থোকহনখিবগী মতাংদা কম্প্ট্রোল্লর এন্দ ওদিটর জেনরেল ওফ ইন্দিয়া (সী এ জি) না থিগৎকদবনি হায়না কোংগ্রেসকী লুচিংবা মালিকঅর্জুন খার্গেনা ফোঙদোকখ্রে।

পব্লিক একাউন্টস কম্মিটিগী চ্যেরমেনসু ওইরিবা খার্গেনা হায়খি, বি জে পিনা লুচিংবা এন দি এ লৈঙাক্না দিফেন্সকী পোৎলম লৈবদা অরানবা থৌওং চত্থখিবগী অচুম্বা লংলা-লংজিল পুথোকপা মথৌ তাই।

ন্যু দিল্লিদা পাঙথোকখিবা একাউন্টন্টস জেনরেলগী ২৯ শুবা মীফমদা ৱা ঙাঙখিবদা খার্গেনা হায়খি, সী এ জিদা অহেনবা মতিক ময়াই পীবগা লোয়ননা মথৌ নীংথিনা পাঙথোকপা ঙমহন্নবা থৌরাং লৌখৎফম থোকই। লৈঙাক্না শেল-থুম লান্না শীজিন্নবা মতমদা মপুং ফানা থিগৎতুনা মরাল লৈবা মীওইশিং খঙদোকপা তঙাইফদে।

দিমোনেটাইজেসন অমসুং জি এস টিনা মীচম মীয়ামদা চাউনা খুদোংচাদবা



মায়োক্নহনখিবগা লোয়ননা লৈবাক্কী শেন্মীৎলোন্দা অকায়বা থোকহন-খিবগী মতাংদা সী এ জিনা মপুং ফানা থিগৎকদবনি হায়নসু পি এ সীগী চ্যেরমেন্না ফোঙদোকখি।

লুপা ক্রোর ৫৮,০০০ চঙনা ফ্রান্সতগী রফেল ফাইটর জেট লৈখিবগী মতাংদা জোইন্ট পার্লিয়ামেন্টরি কম্মিটি (জে পি সী) অমা শেল্লগা মপুং ফানা থিগৎহনগদবনি হায়না কোংগ্রেসনা তকশিন্দুনা লাকখিবনি।

কুমজা ২০১৬ কী নবেম্বরদা শেনয়েক অনী চৎনহনখিদবগী মতাংদা খার্গেনা হায়খি, এন দি এ লৈঙাক্না শেঞ্জা-থুমজা থিংবগা লোয়ননা ব্লেক মনি ফাগৎনবগী পান্দমদা দিমোনে-টাইজেসনগী ফিরেপ লৌখিবা তারবসু মীচম মীয়ামদা অৱাবা পীবা নত্তনা পান্দম ফংবা ঙমখিদে। সী এ জিনা চহী ১ দা রিপোর্ট ১০০ হেন্না থাদোরকই হায়না পল্লদুনা মহাক্না হায়খি, পোলিটিকেলগা মরী লৈনবা ৱাফম নৎত্রবদি সী এ জিনা পীরকপা রিপোর্ট অমত্তা মীয়াম্না খঙনদে। কনষ্টিট্যুসনল বোদি অমা ওইরিবা সী এ জিনা দিমোনেটাইজেসন অমসুং জি এস টিকী মতাংদা মপুং ফাবা রিপোর্ট অমা লৈবাক মীয়ামদা থমগদবনি।

পি পি মোদেলদা পায়খৎপা প্রোজেক্ট খুদিংমক থিগৎপগী তঙাইফদবা লৈ হায়না পল্লদুনা কোংগ্রেসকী লুচিংবা অসিনা হায়খি, পব্লিক প্রাইভেট পার্টনর্শিপতা পায়খৎপা থৌরাং খুদিংমক্তা মীচম মীয়ামগী শেল শীজিন্নবা মরম্না হায়রিবা থৌরাংশিং অদু অচুম্বা মওংদা পায়খৎলিব্রা হায়বদু মীয়ামদা ময়েক শেংনা খঙহনগদবনি।

পি পি মোদেলদা লৈঙাক্না পায়খৎপা থৌরাং কয়াদা মীচম মীয়ামগী শেল অরেম্বদা মাঙহনবা য়ারোই। শেঞ্জাও পায়বশিংনা লোন লৌখ্রগা শিঙ্গৎলক্তবগী মীয়াম্না খঙনদবা থৌদোক কয়ামরুমসু লৈরম্বা য়ারি হায়না মহাক্না মখা তাখি।

# খ্বাইদগী ফবা কেমেরা য়াওবা পিক্সেল ৩ লোঞ্চ তৌখ্রে

ন্যু দিল্লি, ওক্টোবর ১০ (এজেন্সী):

আইফোন এক্স এস অমসুং ৱান প্লস ৬ টি পুথোকখিবদা ঙাইরিঙৈদা গুগলগী অনৌবা খ্বাইদগী ফবা কেমেরা য়াওবা পিক্সেল ৩ লোঞ্চ তৌখ্রে।

গুগলগী এন্যুএল হার্দৱ্যের ইভেন্টতা লোঞ্চ তৌখিবা পিক্সেল ৩ গী মখল অনী পুথোরকখি। ইঞ্চি ৫.৫ পাকপা পিক্সেল ৩ অমসুং ইঞ্চি ৬.৩ পাকপা পিক্সেল ৩ এক্স এলনি। অমুবা, অঙৌবা অমসুং পিঙ্ক মচুদা পুথোরল্লিবা পিক্সেল ৩ (জি বি ৬৪) গী মমল লুপা ৭১,০০০ নি। পিক্সেল ৩ (জি বি ১২৮)গীনা লুপা ৮০,০০০। পিক্সেল ৩ এক্স এল (জি বি ৬৪) গী মমল লুপা ৮৩,০০০ অমসুং পিক্সেল ৩ এক্স এল (জি বি ১২৮) গী মমল লুপা ৯২,০০০ নি।

মমাঙদা হান্না পুথোকখিবা পিক্সেল ২ এক্স এল (জি বি ৬৪) দি লুপা ৪৫,৪৯৯ দা অদুম্মক য়োনখিগনি হায়রি। নৌনা পুথোরল্লিবা স্মার্ট ফোন অসিদা য়াওরিবা কেমেরা নুমীদাংগী মতমদসু মঙাল অমত্তা য়াওদনা শীজিন্নবা য়াই। স্মার্ট রিপ্লাই অমদি স্মার্ট টাইপিংনচিংবা অনৌবা মখলগী ফিচর কয়ামরুম য়াওবা মরম্না শীজিন্নবদা নুংঙাইহল্লি অমসুং মতম মাঙহন্দনা পাউ থাদোক-থাজিন তৌবা য়াই। নৌনা পুথোরল্লিবা গুগলগী স্মার্ট ফোন অসি ঈশিংদা তারবসু অমাঙ-অতা থোক্তে হায়রি।

# রফেল দিলগী অকুপ্পা ৱারোল পীরক্লবা সুপ্রীম কোর্টনা খঙহনখ্রে

ন্যু দিল্লি, ওক্টোবর ১০ (এজেন্সী):

সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্টনা ফ্রান্সতগী রফেল ফাইটর জেট লৈনবগী মতাংদা ৱারেপ লৌখিবগা মরী লৈননা অকুপ্পা ৱারোল পুম্নমক খঙহল্লক্কদবনি হায়না সুপ্রীম কোর্টনা ফোঙদোকখ্রে।

চীফ জষ্টিস রঞ্জন গোগোই, জষ্টিস এস কে কোল অমদি জষ্টিস কে এম জোসেফকী বেঞ্চনা হায়খি, ফাইটর জেটকী মমল অমদি টেক্নিকেলগী ওইবা ৱাফমশিং নত্তনা লৈবা য়োনবগী মতাংদা লৌখিবা ৱারেপকা মরী লৈনবা পুম্নমক খঙহল্লক্কদবনি।

তোঙান তোঙানবা মীওই কয়ানা সুপ্রীম কোর্টতা রফেল ফাইটর জেটকা মরী লৈনবা পিটিসন কয়ামরুম থাঙ্গৎলকখি। সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্টনদি পোলিটিকেলগী খুদোংচাবা লৌনবা হোৎনবা মীওই খরনা রফেল দিলদা মীৎয়েং চঙলকপা মরম্না পিটিসনশিং অদু লৌরোইদবনি হায়না সুপ্রীম কোর্টতা হায়জখি।

এটোর্নি জেনরেল কে কে ভেনুগোপালনা কোর্টতা হায়খি, লৈবাক্কী সিক্যুরিটিগা মরী লৈনবা ৱাফম ওইবনা রফেল দিলগী অকুপ্পা ৱারোল মীয়ামদা ফোঙদোকপা মরম চাদে। ওক্টোবর ৩১ দা সুপ্রীম কোর্টনা হিরম অসিগী মতাংদা হিয়ারিং চত্থনবা মতম লেপখি। কোংগ্রেসকী লুচিংবা অমসু ওইরিবা আর টি আই এক্টিভিষ্ট তেহসিন পূনাৱালানা থাঙ্গৎলকখিবা পিটিসন অমনা হায়খি, কুমজা ২০১৬ কী সেপ্টেম্বর ২৩ দা ফ্রান্সকা রফেল ফাইটর জেট লৈবা য়োনবগী মতাংদা দিফেন্স প্রোক্যুরমেন্ট প্রোসিজর (দি পি পি) খুৎয়েক পীনরমদাইদা কেবিনেটকী অয়াবা লৌখিদবা করিনো হায়বদু সেন্টরনা ময়েক শেংনা ফোঙদোক্কদবনি।

পনবা য়াবদি, সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্টনা ইন্দিয়ন এয়র ফোর্সকী মপাঙ্গল কনখৎহন্নবগী পান্দমদা ফ্রান্সতগী রফেল ফাইটর এয়রক্রাফ্ট ৩৬ লৈনবা য়ান্নচে খুৎয়েক পীনখিবনি। হিরম অসিদা অরানবা থৌওং চত্থখি হায়না মরাল শিরদুনা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদি থাদোক্কদবনি হায়না নেসনল ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন ওফ ইন্দিয়া (এন এস য়ু আই) না তকশিন্দুনা লাকখি।

মমাঙ চয়োলদা এন এস য়ু আইগী এক্টিভিষ্টশিংগা কর্নুলদা লৈবা দিষ্ট্রিক্ট কল্লেক্টরেটকী কমপ্লেক্সতা খোঙজং চঙশিনখিবগা লোয়ননা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিগী মায়োক্তা খোল্লাউ কয়া লাউখি। এন এস য়ু আইগী নেসনল সেক্রেটরি নাগেশ করিয়াপানা পাউমীশিংদা হায়খি, মীখল মমাঙদা শেঞ্জা-থুমজা মুথৎকনি হায়না লাউথোকখিবা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা লৈঙাক পায়রক্লবা মতুংদা অরানবা থৌওং কয়া চত্থরক্লিবসি তুমীন্না য়েংদুনা লৈথোক্লোই। বি জে পিনা লুচিংবা এন দি এনা লৈঙাক পায়রকপগা শেনয়েক অনী চৎনহন্দনবা ফিরেপ লৌদুনা ব্লেক মনি পুম্নমক হ্বাইট মনি ওন্থোকখি। ফ্রান্সতগী রফেল ফাইটর জেট লৈবদসু অরানবা থৌওং কয়া চত্থখি।

WANTED EXPERIENCED TAILOR

- JOB LOCATION : ARUNACHAL PRADESH, ITANAGAR
- ACCOMODATION PROVIDED
- TRAVELLING FREE

For more Info Contact :
RANJAN
☎ 7629981271, 8787332016

HL-P/3655/5-11

EMPLOYMENT NEWS

INSIDE MANIPUR AND NO DEPOSIT

Manipur মনুংগী ওইগদবা হৌজিক হৌজিকমক দরকার ওইরিবা অখন্নবা ওফিসিয়েল পোষ্ট ৫১ গীদমক (নুপা-নুপী) কেন্দিদেটশিংদগী অথুবগী ওইবা থবক্কী দরখাষ্ট কৌজরি। থবক অসিগীদমক মশাগী চহী ৩০ গী মনুংদা লৈবা অমদি Class X, XII পাস তৌরবা অমদি Graduation তল্লিবা খুদিংমক্না Apply তৌবা য়াগনি। পোষ্টকী মতুংইন্না থাগী Income সু Rs. 10,000/- to Rs. 35,000/- লৈগনি। অথাপ্পশিংগীদমক লৈফম-চাফমগী Facility লৈগনি। পাম্বীবা মীওইশিংনা অথুবা মতমদা Bio-data থাগৎপীয়ু।

Visiting Hr : 12 noon to 3 p.m.

Contact : 8014170652, 9774986962 or 8414834122

HL-P/2259/11,15&17

/পাইলসকী অতাংবা ওজানি, কবিরাজ অব্দুল হক

মতম শাংনা পাইলসকী অৱাবা খাংলকখি। খোঙ লিকনা হান্বা, খোঙ হান্বা লোইরগা শৌজ নান্থরকপা, ইনখৎত্রি ফাওবা চংউ য়াদবা, শোকপদা নাবা, মরক - মরক্তা ঈ য়াওবা, চাথৎলগা থুপ্পা, শাবা, চিকপা, শৌজদা হাক্কৎচবা, চক-চক থিনবা, পুক খোংবা, চাবা থকপা য়াদবা, খ্বাঙ নাবা, খোঙয়া শাবনি। অদুবু ৱাঙ্গোই ষ্টেট বেঙ্ক অৱাংদা লায়েংবীরিবা ওজা কবিরাজ **অব্দুল হক, কন্টেক নম্বর ঃ ৮৭৯৪৪২৯৬৮১, ৮০১৪৬২৩৭৫৬** কী হিদাক চাবা অমদি তৈবা তৌজবদগী পাইলস মপুং ফানা ফজরে, অৱাবা অমত্তা লৈজদ্রে। ওজাবু মপুনা মতম শাংনা মীয়ামগী শেবা তৌবা ঙমহনবীবা ওইসনু।

থাগৎচরিবা : L. BINA DEVI
Kumbi Makha Leikai

HL-P/5400/11

/থাগৎপা ফোঙদোকপা

October 12, 2018 দগী October 14, 2018 ফাওবা Vishkhapatnam (A.P.) দা পাঙথোক্কদবা "15th National Master Aquatic Championship 2018" গা মরী লৈননা Manipur Swimming Association না মতেং নীজরুবদা (i) Th. Biswajit Singh, Hon'ble Minister Works, RD & PR না Rs. 20,000/- (Twenty thousand), (ii) Th. Satyabrata Singh, Hon'ble MLA, Yaiskul A/C না Track-suit মশীং 70 (Seventy) অমসুং (iii) Sir H. Vikramjit Singh, Managing Director, H.V.S. Construction Materials Pvt. Ltd. and Social Worker না Rs. 50,000/- (Fifty thousand) গী মতেং পীবিরকপগীদমক ইকাইখুম্নজরিবশিংবু Manipur Swimming Association গী মায়কৈদগী হায়নিঙাই লৈতনা থাগৎচবা ফোঙদোকচবগা লোয়ননা তুংগী পুন্সিদা মায় পাকপা, পুন্সি নুংশাংবা তাইবং মপুনা পীনবিবা ওইরসনু।

থাগৎপা ফোঙদোকচরিবা ঃ
SECRETARY,
Manipur Swimming Association

HL-P/2261/11

/খোঙ হান্বা য়াদবা, খোঙ হান্বা য়াদবনা মরম ওইদুনা হকচাংদা নুংঙাইতবা, চাবা থকপসু য়াদবা, খোঙ হান্নগসু হমেং মথিগুম্না খজিক্তং হান্বা, পুক্তা গ্যেষ্ট্রিক কারগা পুক নুংঙাইতবা, গ্যেষ্ট্রিক অদুনা থবাক্তা চেনখৎলগনা থবাক নাবা ফহনবগীদমক ওজা এম ভি অজাদ ফুসম্বু মপোকসিমগী কাওজররোই



ঐগী হকচাংদা নুংশঙনা য়াম্না কন্না নাদুনা খোঙ হান্বা য়াদবা, খোঙ হান্বা য়াদবনা মরম ওইদুনা হকচাংদা নুংঙাইতবা, চাবা থকপসু য়াদবা, খোঙ হান্নগসু হমেং মথিগুম্না খজিক্তং হান্বা, পুক্তা গ্যেষ্ট্রিক কারগা পুক নুংঙাইতবা, গ্যেষ্ট্রিক অদুনা থবাক্তা চেনখৎলগনা থবাক নাবা অমদি খৌনাওদা ইফুন ফুনগৎলগা লৈবগুম তৌবা, অমাঙথোংদা লুম লুম লাওরগা লৈবা, খোঙ হান্বা খুদিংগী ঈ দ্রোপ দ্রোপ তারকপা, ঈ তাখিবা অদুনা মরম ওইদুনা হকচাং য়াম্না শোন্থরকপা অমদি চোকথ ৱান্থরগা শুনিং চৎনিংবা পোক্তবা, পোথারগতা লৈনিংবা, অমাঙথোং মনুংদসু তৎপা, অমাঙথোং ময়াদা পোমথোক্লগা লৈবা, অমাঙথোংগী অকোয়বদা মরেং-মরেং চৎলগা য়াম্না হাক্কৎচবা, খোঙয়া শাবা, ঈশিং য়াম্না তোয়না চৎপা, ফম্বী ৱাৎপা, তাং-তাং চিকপা নাবা, খোঙ খুৎ শজিং হৌরগা ইপং পংশিনবগুম তৌবা, ঙকশম মরি নাবা, য়াংলেন শরু অমদি খ্বাঙ নাবা তৌরম্বশিং অদু **MV AZAD PHUSAM** ☎ 7628890261/ 9089738275 দা চৎতুনা লায়েংজরুবদগী ঐগী হকচাংদা লৈরম্বা অনাবশিং অদু মপুগী থৌজালদগী মপুং ফানা ফরে। মরম অসিনা ওজা এম ভি অজাদ ফুসম্বু থাগৎচরি।

*ওজাগী লায়েংফমশিংদি :*

1. Hatta, Opp. Oil Pump near Public Hospital, Imphal
2. Bishnupur Bazar Ward No. 9 (Sat, Sun, Monday only open)
3. Yairipok Bazar (Wednesday & Saturday open)

থাগৎচরিবা : Y. SANGAI
Wangkhei

HL-P/5463/11

TODAY HOUSIE BUMPER DRAW TODAY

in aid of
Annual fund Drive
KKCW Union, Kongba, Regd.896 0f 2017

Date & Time:
11th Oct. 2018 at 5 p.m

Ticket Rate Rs.1500/-

1ST HOUSEFULL
TATA TIAGO

2nd
HOUSEFULL
Activa 5G

3RD
PRIZE
Activa 5G



All Lines, Quick 5 & STAR are Rs.5000/- Each

MINI BUMPER
Ticket Rate Rs.250/-
Prize
Rs.80,000/-

MINI BUMPER
Ticket Rate Rs.100/-
Housefull
Sana (Gold)
1 Tula

Venue: NSK Community Hall, Wangkei Keithel Ashangbi

HL-P/2263/